মিষ্টর স্পীকর সার, অদোমগী অয়াবা লৌজরবা মতুংদা, ঐহাক্না চহি ২০২০-২১গী বজেট অসি থমজনবগী তাঞ্জা অদু লৌজগে।

২. ঐখোয়গী সরকার অসিগী মরিশুবা বজেট অসি ঐহাক্না লান্থোকচবা ফংজবা অসি ঐহাক্কী য়াম্না লাইবক ফবনি অমদি নুংঙাইজবা ফাওজে। মসিনা, ঐখোয়না হেক হৌরকপদগী হৌনা ঙাক্কনি হায়না থমখিবা চৎন-পথাপশিং অদুবু নৌহৌননা অমুক চেৎশিলহনবগী তাঞ্জা অমসু পীরি।

৩. ঐখোয়গী সরকার অসিগী থৌরাংশিং অসি মীয়ামগীদমক য়াইফবদা য়ুম্ফম ওইবা সরকারনি অমদি ঐখোয়গী ৱারেপ অসি মীয়াম্না থম্লকপা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওই। ৱাফম অসি সরকার অসিনা হৌখিবা চহী ৩ অসিদা লেপখিবা ৱারেপ অমদি থবকশিং অদুনা তাক্লি। 'চীংদা চৎসি', 'খুঙ্গং চৎসি', 'মীয়ামগী নুমিৎ' অমদি 'চীংগী লুচিংবশিংগী নুমিৎ' নচিংবা খোঙথাংশিং অমদি চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং, চিফ মিনিষ্টরগী শোত্থরবশিংগী তেংবাং, ষ্টার্ট-অপ মণিপুর অমদি ষ্টেন্দ-অপ মণিপুরনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিং হৌদোকপা অসিনা সরকার অসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অপাম্বা অমদি তঙাইফদবশিং অদুবু ফংহন্নবা হোৎনবদা খোঙফম চেৎনা লেপলি হায়বসি তাক্লি।

## সেক্সন - ৱান

## লৈঙাকপা, শেল-থুম অমদি চাওখৎ থৌরাং

৪. ওনরেবল মেম্বরশিংনা নীংশিংবিগনি মদুদি, মমাংগী চহী, ইং ২০১৯-২০গী ওইনা ঐখোয়না লুপা কোটি ১,৪০৫গী দিফিজিট বজেট অমা লান্থোকখি। ইং ২০১৯-২০গী ওইনা ঐখোয়গী সরকার অসিনা চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তা তঙাইফদ্রবশিং অদু পাঙথোকপদা হেক য়ারিবমখৈ এদিস্নেল রিসোর্সশিং মোবিলাইজেসন তৌনবা হোৎনবা অমদি এক্সপেন্দিচর হন্থহন্নবা হোৎনখি।

৫. বজেট অদু লান্থোকপগী মতম অদুদা, ঐখোয়গী ওপন মার্কেট বোরোৱিং অসি শেনবা চহী ২০১৯-২০গী ওইনা লপা কোটি ৮০০দা লেপখি। ফাইনান্স একাউন্টসকী থাঙ্গৈশেংবা ফিগরদা য়ুম্ফম ওইরগা, ঐখোয়না ৱাফম অসি ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা পুখৎখি অমদি অহেনবা লুপা কোটি ৫৯৪ অমা পুবগী অয়াবা

অদু লৌরকপা ঙমখি। মসিনা ঐখোয়না পেমেন্ট তৌবদা অদুক্কী মতীক লায়হনখি।

৬. জিএসটি গী মখাদা লল্লোন ইতিক তৌবশিংবু হেন্না পুশিল্লক্নবা অমদি য়ান্না চেকশিন্না চলাইবগী খোঙথাংশিং অসিনা জিএসটি কল্লেক্সন্দা হেন্না ফগৎলক্লে। মসিগী খোঙথাংশিং অসিনা এসজিএসটি খোমগৎপদা চাওনা অহোংবা পুরক্লে অমদি মসিনা মরম ওইরগা ইং ২০১৭–১৮দা লুপা কোটি ৩০১ খোমজিনবা ঙমলন্বা ষ্টেট জিএসটি অদুদগী ইং ২০১৮–১৯দা লুপা কোটি ৬৯৫দা হেনগৎপা ঙমখি। ইং ২০১৯–২০গী ওইনা ঐখোয়না লুপা কোটি ৮৬২কী রিভাইস তৌবা টার্গেট অসি ফংগনি হায়না পারি।

৭. এক্সাইজ দ্যুটিজগী খুত্থাংদা রেভিন্যু কল্লেক্সন হেনগৎহন্নবগীদমক, ঐখোয়না এক্সাইজ দ্যুটিগী ষ্ট্রকচর অসি হোংদোক্লে। লিকরগী মখলশিংদা চপ মান্নবা লেপ্পা দ্যুটি থম্বগী মহুত্তা, মণিপুরদা একজেম্প তৌদুনা ইসু তৌরিবা লিকরশিংদসু গ্রেদেদ ষ্ট্রকচর অমা লৈরগনি। মসিগী মহৈ ওইনা, হেন্না ফবা মখলগী লিকর থকপা মীওই অদুনা দ্যুটি ৱাংনা থিবা মথৌ তাগনি। অসিগীসু মথক্তা, লাইসেন্স অমদি রিন্যুএল ফি অসি শরুক অনি হেনগৎলে। পায়খৎলিবা খোঙথাংশিং অসিনা মমাংগী চহিদা লুপা কোটি ৮গী এন্যুএল রেভিন্যু লৈরম্বা অদুদগী চাওরাক্লা লুপা কোটি ১৪দা হেনগৎলগনি হায়না পারি।

৮. আর্মদ অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অসিগী হৌজিক লৈরিবা সিএসদি কেন্টিনশিং অসিনা মখোয়গী লিকর কোটা অসি ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা লৈবা বোন্দেদ ৱেরহাউস, মরুওইনা দিমাপুরদগী, লৌই। বোন্দেদ ৱেরহাউস অমা ষ্টেট অসিদা লিংখৎনবগীদমক্তা, মণিপুর বোন্দেদ ৱেরহাউস রুলস অসি দি মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১গা মান্নবা চৎমিন্নবা য়াবা মওংদা এমেন্দ তৌরে। মসিনা চহি অমদা ষ্টেট অসিদা লাইসেন্স ফি অমদি রিন্যুএল ফি ওইনা চাওরাক্লা লুপা কোটি ২.৩১গী অহেনবা রেভিন্যু লাকহনবা ঙমহল্লগনি।

৯. পেট্রোল অমদি দিজলদা হৌজিক লৈরিবা ভেটগী রেট অসি হান্না মথংশিংনা চাদা ২১.২ অমদি চাদা ১০.৬ লৈরম্বদগী, ইং ২০১৯গী ওক্তোবর থাদগী মথংশিংনা চাদা ২৫ অমদি চাদা ১৪.৫ দা হেনগৎলে। মসিনা চহিগী ওইনা ভেটকী শেনফম অসি চাদা ২৯ হেনগৎহনবা ঙমহল্লগনি পারি।

১০. ষ্টেট লোটরিগী রুলশিং অদু খঙহনজখ্রে অমদি টেন্দরগী থবক চথরি। মসিনা ষ্টেট অসিগী চহিগী ওইবা লুপা কোটি ১০০গী অহেনবা রেভিন্যু খোমগৎপা ঙমহল্লগনি হায়না পারি।

১১. এসেমব্লিগী সেসন অসিদা, ঐহাক্না মণিপুর প্রোফেসন্স, ট্রেদস, কোল্লিং এণ্ড এমপ্লোইমেন্ট টেক্স এক্ট ১৯৮১ অসি এমেন্দমেন্ট তৌনবা হৌদোকপিয়ু হায়না প্রোপোজ তৌজরি মসিগী এমেন্দমেন্ট অসিনা প্রোফেসনেল টেক্স বেজ অসি পাকথোক-চাওথোকহন্দুনা টেক্স কল্লেক্সন অসি হেনগৎহনবা ঙমগনি। এদিসনেল রেভিন্যু লাকপগী খুদোংচাবা মরাং কায়না লৈতবা মণিপুর অসিদদী প্রোফেসনেল টেক্স অসিনা রেভিন্যু কারকপগী য়াম্না মরু ওইবা লম্বী অমা ওইবা য়াই। হৌজিক ওইরিবা প্রোফেসনেল টেক্সকী সিলিং লুপা ২,৫০০ অসি সম্বিধানগী আর্টিকল ২৭৬(২)না লেপ্পনি। মমাংগী এমেন্দমেন্ট অসি ইং ১৯৮৯দা তৌখিবনা সিলিং অসি লুপা ৫০,০০০দা হেনগৎপীননবা ঐখোয়না ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সতা  চে থাজখ্রবনি।

১২. ষ্টেট কেবিনেটনা 'মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ প্রোপর্টি টেক্স রুলস, ২০১৯' গী দ্রাফট এপ্রুভ তৌরে। হৌজিক্কী ওইনা, ষ্টেটকহোল্ডরশিংদগী সজেসন পীবিরক্নবা ঙাইরি। মসি হেক চৎনবা হৌবদগীদি, মসিনা চাওরাক্লা চহীগী ওইনা ষ্টেটকী অহেনবা লুপা কোটি ৫গী রেভিন্যু কারকপা য়াই।

১৩. এক্সপেন্দিচরগী মতাংদা, শেনবা চহী অসিগী ওইনা ষ্টেট অসিগী কোন্সোলিদেটিদ ফণ্ডদগী  চৎকদবা অখন্নবা এক্সপেন্দিচরগীদমক্তা, বজেটরি আউটলে কেপ্পিং তৌদুনা থমখ্রে। মসিনা, চহী অসিগী এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি ১৩০মুক হন্থনা চাদিং তৌরবা য়ারি। মসিগা লোয়ননা ঐখোয়না ইমপ্লিমেন্টিং দিপার্টমেন্টশিংদা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী মখাদা ফণ্ড থাদোকপদা অহান-অকোন য়েংদুনা, ভারত সরকারনা মখা তানা থাদোরক্কদবা শেনফমশিং অদু শোক্তনা পীথহন্নবা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনরি।

১৪. মিষ্টর স্পীকর সার, মমাংথক্কী পোৎলুমশিং অদু কাউথোক্তুনা, ঐখোয়গী সরকার অসিনা ষ্টেট অসিগী অপূনবা ফাইনান্সিয়েল মেনেজমেন্ট অমদি ফাইনান্সিয়েল হেল্থ অদুবু ফগৎহন্নবা হোৎনবদা পূক্নিং লেপলি। সরকার অসিনা মখল কয়াগী খোঙথাংশিং পায়খৎখ্রে অমদি পায়খৎলগনি। খরগী মমিং পঞ্জরবদাঃ

১৫. ঐখোয়না ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টশিংগী ওইনা পব্লিক ফাইনান্স মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (পিঃএফঃএমঃএসঃ) অসি ইং ২০১৯গী এপ্রিল ১দগী চৎনবা হৌখ্রে। পিঃএফঃএমঃএসঃ কী খুত্থাংদা, ভেণ্ডর অমদি বেনিফিসরিশিংগী মফমদা থিন্থবা তৌদনা ফণ্ড ট্রান্সফর তৌবদা য়াংশিলহন্নবা পান্দম থল্লি। পিঃএফঃএমঃএসঃ না ফণ্ড ফ্লো অসিবু রিয়েল টাইমদা মোনিটর তৌহনবা ঙমহল্লি। মসিনা মখা তানা ফাইনান্সিয়েল ট্রানজেক্সন্দা অরোন অথুপ লৈহনদে অমদি বেনিফিসরিশিংদা ফণ্ড ট্রান্সফর তৌবদা য়াঙশিলহল্লি, অমদি গভর্নমেন্টকী স্কীমশিং অমদি প্রোজেক্টশিংবু মপূং ফানা পায়খৎপদা তেংবাংঙি।

১৬. করিসু খন্থরুদনা ৮৪৪৯দা শেল থমজিনবা অসিনা বেক্কিং রিসোর্স লৈতনা অচৌবা লাইএবিলিটিশিং থোক্লক্তুনা ষ্টেট অসিগী ফাইনান্সতা চাউনা অকায়বা পীরি। মসিগী মথক্তা, মসিনা ঐখোয়গী ফাইনান্স একাউন্টস অসি 'আউটষ্টেন্দিং দেবট' নি হায়না উৎলি। ঐখোয়গী দেবট–জিঃএসঃদিঃপিঃ রেসিও অসি ইং ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা চাদা ৩৭.৭৯ ওইরিবসি অসি অকিবা পোক্লিংঙাইনি অমদি মসি লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবনি। মসি মমাংদদদি প্লান ফণ্ড লান্স চত্তনবা তৌরম্বনি। প্লান অমদি নোন–প্লান খায়দোক্রুবনা, হন্দক শীজিন্নহৌদবা শেনফম অসি মথংগী চহিগী রিসোর্সনি। মমাংগী চহিদা, ৮৪৪৯দা ঐখোয়না দিপোজিট  তৌবদা অথিংবা খরা থমখি। হন্দক্কী চহিদদি মসি পূন্না তোক্লুগে হায়না লেপ্লে।

১৭. ঐখোয়না ইং ২০২০গী জানুৱারী তাং ৬তগী ইম্ফাল ইষ্টকী ট্রেজরিদা ই–কুবের পেমেন্ট সিষ্টেম অসি অহানবা ওইনা থবক তৌবা হৌরে। মসিগা ইরোইননা, যৌরাং অসি ষ্টেট অসিগী ট্রেজরি খুদিংমক্তা ইং ২০২০গী ফেব্রুৱারি তাং ১১দগী পায়খৎপা হৌখ্রে। ট্রেজরিশিংদগী পেমেন্ট তৌনবগীদমক্তা হৌজিক্তী বেঙ্ককী যৌদাং অমত্তা লৈররোই অমদি মসি আরঃবিঃআইঃ গী খুত্থাংদগী দাইরেক্ট তৌরগনি। ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী লোইশিল্লকপদা শেলগী ফিভম অদুসু খঙবা ঙমলগনি। অনৌবা সিষ্টেম অসিনা ঐখোয়না পেয়িশিংদা পেমেন্ট পীবদা য়াঙহল্লগনি, একাউন্টিং ফগৎহল্লগনি অমদি কেস–ফ্লো মেনেজমেন্ট ফগৎহনবা ঙমহল্লগনি।

১৮. ঐখোয়না ই-জিঃআরঃএঃএসঃ (ওনলাইন গর্ভনমেন্ট রিসিটস একাউন্টিং সিষ্টেম) চৎনহন্নবা খোঙথাংশিং হান্ননা লৌখৎখ্রে। মসিনা গভর্নমেন্ট ফী-শিং, দ্যুশিং অমদি অতোপ্পা রিসিটশিং ওনলাইনদা কল্লেক্সন তৌবা ঙমহল্লগনি। মসিগী খোঙথাং অসিনা সরকারগী রেভিন্যু ফগৎহনবতা নত্তনা পব্লিক্লসু শেল থিদোক-থীজিন তৌবদা লাইহল্লগনি।

১৯. মিষ্টর স্পীকর সার, ঐহাক্না মখা চত্থজদ্রিঙৈদা, ঙসিগী চীং লেল্লবা হাউস অসিদা ঐহাক্না ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিগী মরুওইবা মচাকশিং অদু অমুক্তা থমজগে।

## ইকোনোমিগী ফিভম

২০. ইং ২০১৯-২০গী গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্ত (জিঃএসঃদিঃপিঃ) অসি ইং ২০১৮-১৯দগী চাদা ১৬ হেনগৎতুনা লুপা কোটি ৩০,১৩১ ওইগনি হায়না পারি। মথংগী শেনবা চহী ২০২০-২১দা, জিঃএসঃদিঃপিঃ অসি হৌজিক লৈরিবা প্রাইস অসিদা য়েংলবদি, ইং ২০১৯-২০দগী চাদা ১১ হেন্না হেনগৎতুনা লুপা কোটি ৩৩,৫৬৯ ওইগনি হায়না পারি। সরকার অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং অসিনা মরম ওইরগা দবল দিজিট গ্রোঠ অসি অদুম চত্থগনি হায়না আশা তৌজে।

২১. ষ্টেট অসিগী আউন টেক্স রেভিন্যু (এসঃওঃটিঃআর) অসি পনবদা মতিক চাই। ইং ২০১৬-১৭ অমদি ইং ২০১৮-১৯গী মনুংদা ঐখোয়গী ওইবা টেক্স রেভিন্যু খোমজিনবা অসি চাওনা হেনগৎলকখি। ইং ২০১৬-১৭তা, টেক্স রেভিন্যুগী কল্লেক্সন অসি লুপা কোটি ৫৮৬ ওইখি অমদি মসি ইং ২০১৭-১৮দা লুপা কোটি ৭৯০দা হেনগৎখি। ইং ২০১৮-১৯দা, মসি মখা তানা ইং ২০১৭-১৮গী চাং অদুদগী চাদা ৩২ হেনগৎতুনা লুপা কোটি ১০৪৬তা হেনগৎখি। মসিগী অয়াম্বা শরুক্তী চহীশিং অসিদা জিঃএসঃটিঃ কল্লেক্সন তৌবনা ওইরবসু, অতোপ্পা এসঃওঃটিঃআরঃ গী আইটেমশিংদসু মপুং ফানা হেনগৎলকখি। ইং ২০১৯-২০ অমদি ২০২০-২১দা, এসঃওঃটিঃআর অসি মথংশিংনা মখা তানা লুপা কোটি ১২৪৩ অমদি লুপা কোটি ১৩২৪দা হেনগৎলক্কনি হায়না ঐখোয়না পারি।

২২. সার, অমুক হন্না পল্লুদ্রগসু খঙনরবা ৱাফম অমদি, মণিপুর অসি ফাইনান্সিয়েল রিসোর্সকীদমক্তা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টতা মপুং ওইনা মীপান তাংই হায়বসিনি ।

শেনবা চহী অমদা, ভারত সরকারদগী ট্রান্সফর তৌরকপা রিসোর্স অসি অপূনবা রেভিন্যু রিসিট অদুগী চাদা ৯০ ওই। ভারত সরকারগী অনকন্দিসনেল গ্রান্টশিংগী মনুংদা, সেন্ত্রেল ট্রেক্সতা ষ্টেটকী সিয়ার অসিনা খ্বাইদগী অচৌবা মচাক ওই। মরম অদুনা, সেন্ত্রেল ট্রেক্সতা ঐখোয়গী সিয়ার অসিদা অহোংবা হেক লাকপদা ষ্টেট অসিগী ফাইনান্সতা চাওনা অকাইবা পী।

২৩. ঐখোয়গী রিসোর্স ৱাৎপগী প্রোব্লেম অসিদা, ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী ময়েক শেংদবা অমদি ভাপনা শাজিনবা অদুনসু হেন্না চৈথেং পীরি। ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না এসেস তৌবা সিয়ার অদুগা ভারত সরকারনা সেন্ত্রেল টেক্সশিংগী পীরক্লিবা অদুগা চাংদম্নবদা অচৌবা অহোবা অমা লৈরি। অহানবা চহি মরি, হায়বদি, ২০১৫–২০১৯ ফাওবদা লৈরিবা অপূনবা তাথরক্লিবা শেনফম অসি লুপা কোটি ২২৬৫নি। ইং ২০১৯–২০ হায়বদি ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী অরোইবা চহী অসিদা এসেসদ টেক্স দীভোল্যুসন অদুগা একচুয়েল টেক্স দিভোল্যুসন অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অসি লুপা কোটি ২৩৪৮নি। মরম অদুনা, ১৪শুবা এফসি এৱার্দ (২০১৫–২০২০) ফাওবদা পূল্লপ ওইনা ৱাৎলকপা শেনফম অসি লুপা কোটি ৪৬১৩নি অমদি মসিনা ঐখোয়গী ষ্টেটকুম্বদদি চাওনা অহোবা অমা লৈরগনি।

২৪. মিষ্টর স্পীকর সার, চৎলিবা চহী অসিদা, ভারত সরকারদগী পীরক্লিবা টেক্সকী সিয়ার অসি হন্থরক্নুনা ষ্টেট অসিগী ফিসকেল হেল্থতা চাওরবা শাফূ অমা পীরি। মমাং চহীগী ফেব্রুৱারীদা থমখিবা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী ভোট–ওন একাউন্টসতা, মণিপুরগী সেন্ত্রেল টেক্সকী সিয়ার অসি লুপা কোটি ৫২১১ হায়না প্রোজেক্ট তৌখি। মসিনা ঐখোয়গী ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটকী রিসোর্স এষ্টিমেটকী অদুদা য়ুম্ফম ওইখি। ইং ২০১৯গী জুলাইগী য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী বজেটতা, মসি লুপা কোটি ৪৯৯২দা রিভাইস তৌখি। ভারত সরকারগী ইং ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা, মণিপুরগী সেন্ত্রেল টেক্সকী সিয়ার অসি লুপা কোটি ৪০৪৮ খক্তদা হন্থরকখি। মরম অদুনা বজেট এষ্টিমেটতগী রিভাইস এষ্টিমেট ষ্টেজদা ইং ২০১৯–২০গী সেন্ত্রেল টেক্সকী সিয়ার অসি হন্থনা রিভাইস তৌদুনা লুপা কোটি ১১৬৩ হন্থরে। ঐখোয়গী রিসোর্সকী বেজ পীকপনা, ষ্টেটনা অহোবা অসিবু মেন্সিনবগী উপাই অমত্তা লৈতে। মসিনা মরম ওইদুনা, ঐহাক্না

মমাঙদা খরসু পঞ্জশ্রে, ঐখোয়না এদিস্নেল রেভিন্যু হেনগৎহন্নবা হোৎনবা অমদি এক্সপেন্দিচর হন্থহন্নবা কন্না হোৎনজরবসু, চহি অসিগী এষ্টিমেট বজেট দিফিসিটতা অসি লুপা কোটি ১৪০৫তগী লুপা কোটি ১৭২০দা হেনগৎলক্লে।

২৫. স্পীকর সার, ষ্টেটকী সেন্ট্রেল টেক্সতা সিয়ার হন্থরকপা অসিগা লোয়ননা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচরদা হেনগৎলক্লিবা অসিনা ষ্টেটকী ফাইনান্স অসিদা তমথীনা শাফূ অমা পীরি অমদি ষ্টেট অসি ৱেজ এণ্ড মিন্স এদভান্সেস (দব্লিউঃএমঃএ) অমদি ওভরদ্রাফট তোয়না তারি। দব্লিউঃএমঃএঃ অসি কেস ইমবেলেন্স লৈবা অদু ঙাকথোক্নবা মতম খরগী উপাই ওইরবসু, মসিদা রিপেমেন্ট লাইএবিলিটিশিং অমদি ইন্টরেষ্ট পেমেন্ট তৌবা অদুসু য়াওরি। মসিনা, মখা তানা ঐখোয়গী অককনা লৈজরিবা ফাইনান্সিয়েল রিসোর্সশিং অসি হন্থহল্লি।

২৬. ঐখোয়গী সরকার অসিনা মখা তানা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী লম্বীদা অচৌবা শীংনবা অমা মায়োক্নরি। ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী চানদবা প্রোজেক্সন্না মরম ওইদুনা সেন্ট্রেল টেক্সকী সিয়ার পূন্না হন্থরকপা, সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিং, সেন্ট্রেল গ্রান্টশিংনা কোন্দবা থবকশিংদা চঙবা এক্সপেন্দিচরশিং অমদি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচরশিংনা পূন্সিন্দুনা পীরিবা শাফূ অসিনা ফিসকেল দিফিজিট অমদি পব্লিক দেটশিং কন্ট্রোল তৌবদা অৱাবা ওইহল্লি। ইং ২০১৮–১৯দা ফিসকেল দিফিজিট চাদা (–) ৩.৫৫ ওইদুনা, ইং ২০১৭–১৮গী চাদা (–) ১.৪০গা চাংদন্নবদা ফিসকেল স্লীপ্লেজ থোকখি। ষ্টেট অসিনা মায়োক্নরিবা ফিস্কেল চেলেঞ্জশিং অসি মায়োক্নবা ঙন্নবা, চৎলিবা চহী ২০১৯–২০ অসিদা এক্সপেন্দিচর হন্থহনবা হায়রিবা খোঙথাং অসি ঐখোয়না লৌখৎখি।

২৭. সার, ঐহাক্না হাউস অসিদা ইং ২০২০–২১গী ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্না পীবা রিকমেন্দেসনশিং খরা থমজনবগী খুদোংচাবা অদু লৌজগে। মথংগী চহী ৫, হায়বদি ইং ২০২১–২৬ ফাওবগী অপূনবা রিপোর্ট অদু মথংগী শেনবা চহীগী মনুংদা থোক্লক্লগনি। ইং ২০২০–২১গী ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী তেন্তকপা ৱারোল অদু শমলপ্না থমজগে।

- ইং ২০২০–২১গী ওইনা, কম্মিসন অসিনা ষ্টেট অসিগী টেক্স দিভোল্যুসন অসি লুপা কোটি ৬১৪০ হায়না এসেস তৌরি। মসিগী ওন্ন–তৈনবদা, ভারত

সরকারগী ২০২০–২১গী বজেটতা ষ্টেটকী ওইবা সেন্ট্রেল টেক্সকী সিয়ার অসি ইং ২০২০–২১গী ওইনা লুপা কোটি ৫৬৩০ হায়না পীরি।

- কম্মিসন অসিনা, ইং ২০২০–২১গী ওইনা রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্ট অসি লুপা কোটি ২৮২৪ মণিপুরগীদমক রিকমেন্দ তৌরি। তৌবতবু, মসি সেলরি, পেন্সন অমদি ইন্টরেষ্ট পেমেন্টকী রেভিন্যু এক্সপেন্দিচরগা লোয়ননা ষ্টেটকী ওইবা রিসোর্স মোবিলাইজেসন ফগৎহনবগা মরী লৈননা চাং মান্ননা চৎমিন্নবদা য়ুম্ফম ওইগদৌরি । মসি ইং ২০২০–২১গী য়ুনিয়ন বজেটতা ময়েক শেংনা হায়খ্রে। ইং ২০২০–২১গী ষ্টেট ১৪গী পোষ্ট–দিভোল্যুসন রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্টকী অপূনবা শেনফম লপা কোটি ৭৪,৩৪০ ফাইনান্স কম্মিসন্না রিকমেন্দেসন পীখিবগী ওন্ন–তৈনবদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পীরিবা বজেট প্রোভিজন অসি লুপা কোটি ৩০,০০০ খক্তনি। মরম অদুনা, রেভিন্যু দিফিসিট গ্রান্টকী অপূনবা শেনফম অদু ফংনবগীদমক্তা, ঐখোয়না রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অসি রিফোর্ম তৌবা, পর্ফোম তৌবা অমদি রেস্নেলাইজ তৌবা মথৌ তারি।
- ১৪শুবা ফাইনান্স কম্মিসন্দা, রিকমেন্দেসন অসি গ্রাম পঞ্চায়ট খক্তদা ওইখি। ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসননা গ্রান্ট অসি জিল্লা পরিষদ অমদি গ্রাম পঞ্চায়ট অনিমক্তা পীরকখি। ইং ২০২০–২১গীদমক্তা লুপা কোটি ১৭৭ রিকমেন্দ তৌখ্রে। শেনফম অদুগী চাদা ৫০দী ঈশিং অমদি সেনিটেসনগা মরী লৈনবা থবক্কীদমক খাক্তুনা থমগনি অমদি লেমহৌরিবা চাদা ৫০ অদুনা অতোপ্পা হীরমশিংগী ওইগনি।
- কম্মিসন অসিনা অর্বান লোকেল বোদিশিংগীদমক্তা লুপা কোটি ৮৫ রিকমেন্দ তৌখি। মসিগী মনুংদা চাদা ৫০দী থক্লবা ঈশিং অমদি সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকীদমক খাক্তুনা থমগনি।
- রিলিফ এণ্ড দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মখাদা, কম্মিসন অসিনা লুপা কোটি ৪৭ অনৌবা ষ্টেট দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্ট ফণ্ডগী মখাদা রিকমেন্দ তৌখ্রে অমদি মসিগী মনুংদা লুপা কোটি ৪২না সেন্ট্রেল সিয়ারনি অমদি লুপা কোটি ৫না ষ্টেট সিয়ারনি। মসি মখা তানা ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফণ্ড অমদি ষ্টেট দিজাষ্টর মিটিগেসন ফণ্ডদা ৮০ঃ২০গী রেসিওদা য়েন্থোক্লদবনি।

- ইং ২০২১-২২দগী হৌদুনা কম্মিসন অসিনা সেক্তর স্পেসিফিক প্রোজেক্টশিংগীদমক্তা গ্রান্ট রিকমেন্দ তৌনবগী অপান্বসু ফোঙদোক্লি। মরী লৈনবা ষ্টেট অসিগী হেল্থ, পুলিস ট্রেনিং অমসুং হাউসিং, পিঃএমঃজিঃএসঃৱাই লন্বীশিংগী মেন্টেনেন্স গ্রান্ট, প্রি-প্রাইমরি স্কুলশিং, জুদিসিয়রি গ্রান্টশিং অমদি ষ্টেটিসটিক্স য়াওরি। সেক্তরশিং অসিদা গ্রান্ট ফংনবগীদমক্তা, ষ্টেট অসিনা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টকা তান্নদুনা মখল মখা কয়াগী শেম শাবা তঙাইফদে।
- হীরম খরদা কম্মিসন অসিনা পার্ফোরমেন্স বেজ ইন্সেন্টিভশিং পীনবা রিকেমেন্দ তৌরি। মখোয়শিং অদুদি এগ্রিকলচর, পৱার সেক্তর রিফোর্মস, এক্সপোর্ট য়াওনা ট্রেদ ফগৎহনবা, ইজুকেসনগী ইনসেন্টিভশিং, দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেস্নেল টুরিজম প্রমোট তৌবা অমসুং এসপিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম (এঃদিঃপি) নি।

২৮. সার, ঐখোয়গী লৈরিবা ইকোনোমি অসিগী দেটা অসিদা ইনফ্লেসন অমদি দিপ্রেসন য়াওদনা অশেংবা মশক অদু থমজবা হায়বসি ঐখোয়গী সরকার অসিগী ৱারেপনি। অতোপ্পা পব্লিক লাইফকুন্না, পব্লিক ফাইনান্সতসু মনুং মপান নাইদনা ট্রান্সপরেন্সি লৈহনবা হায়বসি ঐখোয়গী অচেৎপা ফিরেপনি। ঐখোয়না সেক্তর খুদিংমক্কী ক্রিটিকেল এল্লোকেসন অমদি তঙাইফদনা খরচ তৌদবা য়াদবশিং অদুবুদি ককথদনবা হোৎনজখি। মসিদি ঐখোয়গী তঙাইফদনা তৌগদবা থৌদাং অদুনি। লৈরিবা ফিভম অসি য়েংলগা, ঐহাক্না ইং ২০১৯-২০ (রিভাইজ এষ্টিমেট)কী লুপা কোটি ১৭২০ অমদি ইং ২০২০-২১ (বজেট এষ্টিমেট) কী লুপা কোটি ৭২৩ দিফিজিট বজেট থমজরি।

## সেক্সন – টু

## ইনভেষ্টমেন্ট, এক্সপেন্দিচর অমদি পোলিসি ইনিসিএটিভশিং

### হ্যুমেন কেপিটেলদা ইনভেষ্ট তৌবা

২৯. স্পীকর সার, মণিপুরগী ওইনদি, মবুধি–মরৌশিং লৈরবা মীয়াম অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবা রিসোর্সনি। মরম অদুনা ঐখোয়না থাজজে মদুদি হ্যুমেন কেপিটেলদা ইনভেষ্ট তৌবা অসিনা মতম অসিগী খ্বাইদগী চূনবনি। ঐখোয়গী সরকার অসিনা ইজুকেসন অসিবু খ্বাইদগী মরু ওইনা লৌজে। ইজুকেসন্দা ইনভেষ্ট তৌবা অসিনা ষ্টেট অসিদা নত্তনা লৈবাক পূম্বগী ওইনা অচৌবা কান্নবা পীরগনি। মরম অদুনা ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটতা ইজুকেসনগী লুপা কোটি ১৭৪৮ ওইরম্বদগী ইং ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ২০১৭দা হেনগৎহল্লে অমদি মখা তানা ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ২২৫২দা হেনগৎলে। শেনবা চহী অসিদা হৌদোকখিবা 'গো টু স্কুল' মিসন (স্কুল ফগৎহনসি প্রোগ্রাম) অসিনা সরকারগী স্কুলদা মগুণ লৈবা মহৈ মশীং পীহনবগা লোয়ননা অফবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পীদুনা অফবা মহৈ মশীং তমবা ফংহন্নবা পান্দমদা চঙশিল্লি। মসি মায়কৈ কয়াদগী পান্নরক্লি অমদি হাউস অসিগী ওনরেবল মেম্বরশিংনা মতেং চাওনা পীবদগী, মসিগী অফবা মহৈ অসি ঐখোয়না তশেংনা উবা ফংলে। প্রোগ্রাম অসিগীদমক্তা লুপা কোটি ২৫ ওইরম্বদগী ইং ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৪২.৫দা হেনগৎখ্রে।

৩০. হায়র ইজুকেসন অসি ষ্টেট অসি চাওখৎহনবদা য়ান্না মরু ওই। গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজ ৪ (মরি) গভর্নমেন্ট কলেজদা ওনখৎখ্রে। মসিগী মনুংদা, অনি অমদি নুপীশিং খক্তগী কলেজনি অদুগা অনি অমনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈ। ওনখৎলিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী নুপীশিং অমদি চীংগী মফমশিংদা লৈবা মহৈরোইশিংদা অফবা হায়র ইজুকেসন পীবা ঙমলগনি। ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিদা অনৌবা কোর্স ১৯ অমসু হৌদোকখ্রে। মসিনা মহৈরোয়শিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মহৈ তম্বা ফংলগনি। ঐখোয়না য়ুনিভর্সিটি অসি মতেং পাংলি অমদি ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৬ হাপ্লে।

### স্কীল দিভেলপমেন্ট

৩১. সার, চূনবা স্কীল ফংহনবনা ঐখোয়গী নহাশিং অসিদা থবক পীবদা য়ান্না মতেং ওইগনি। মসিগী মথক্তা, মতিক চাবা স্কীল লৈবা নহাশিংনা ওন্ত্রেপ্রেনোর ওইদুনা ষ্টেটকী ইকোনোমিদসু ফগৎহনগনি। স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং অসি পিঃএমঃকেঃভিঃৱাইঃ (প্রধান মন্ত্রি কৌসল ৰিকাস য়োজনা), এসঃএঃএনঃকেঃএঃএলঃপিঃ (স্কীল এক্বিজিসন এণ্ড নোলেজ এৱেরনেস ফোর লাইভলিহুদ প্রোমোসন) অমদি এসঃটিঃআরঃআইঃভিঃইঃ (স্কীল ষ্ট্রেঙ্কথনিং ফোর ইন্দষ্ট্রিয়েল ভেল্যু এনহান্সমেন্ট) নচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী মখাদা পায়খৎলি। মসিনা ষ্টেট অসিগী মীওই কয়াদা কান্নবা পীখ্রে। স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা লৈরিবা বজেটরি আউটলে অসি ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৫১ ওইরম্বদগী ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৭১দা হেনগৎলে।

## হেল্থ ফোর ওল

৩২. ঐখোয়গী সরকারগী হকশেলগী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রাম ওইরিবা 'চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং' (সিঃএমঃঐচঃটি) অসিনা সমাজগী লাইরবা কাঙলুপশিংদা হকশেলগী অফবা লায়েং ফংহল্লি। মসিগী মতেং অসি ঐখোয়না মখা তানা পাংননবা পান্দম থল্লি অমসুং ২০২০–২১গী ওইনা বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ২০ হাপ্লে।

৩৩. জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) অসি ষ্টেট অসিগী মশক নাইরবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুট অমনি অমদি মসিনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা অফবা মখলগী সকেণ্ডরি অমসুং টরসিয়েরি লায়েং পীরি। ইন্সটিট্যুট অসিগী তশেংনা দরকার ওইরিবশিং অসি য়েংলগা, ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটতা ইন্সটিট্যুট অসিগী লুপা কোটি ৯৫ ওইরম্বা অদু ইং ২০১৯–২০গী রিভাই এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ১০৩.৩৪দা হেনগৎলে অমদি ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ১১৬.৪দা হেনগৎলে।

৩৪. তিনজং কাইজংদবা সমাজ অমা লৈবদা মেদিকেল ফেসিলিটিশিংদগী থোক্লকপা বাইওমেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি মফম চানা মেনেজ তৌবা হায়বসি তঙাইফদে। মসিগীদমক্তা, ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ২ হাপ্লে।

৩৫. মেদিকেল, হেল্থ অমসুং ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভিসেসকী বজেটরি আউটলে অসি ইং ২০১৯-২০গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৭৪৫ ওইরম্বদগী ইং ২০২০-২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৮৪৬তা হেনগৎলে।

**থক্লবা ঈশিং অমদি সেনিটেসন**

৩৬. সার, অফবা থক্লবা ঈশিং অমদি সেনিটেসন ফংহনবা হায়বসি ঐখোয়গী সরকার অসিনা পূক্নীং চঙলিবা হীরমনি। ইম্ফাল অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিং অফবা থক্লবা ঈশিং পীননবা হোৎনবদা চীংখৈচীং ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অসি য়াম্না মরু ওই। প্রোজেক্ট অসি খুমাং চাওশিন্না চঙশিনবা ওইবনা, মসিগীদমক্তা রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ৩৫ অহেনবা ওইনা হাপ্লে। বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দনা লুপা কোতি ১৫ হাপ্লে। থক্লবা ঈশিং ফংহন্নবা এনঃদিঃবিঃ-এসিষ্টেদ প্রোজেক্ট পায়খৎনবা থৌরাং তৌবা হৌরে। মসিগী প্রোজেক্ট অসিগী ওইনা ষ্টেট কম্পোনেন্টকী ওইনা লুপা কোটি ৮২.৫, বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা হাপ্লে।

৩৭. ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট ফেজ-ৱান অসি লোইশিল্লে অমদি মসি ট্রাইয়েল রন চথরি। মসি মার্চ ২০২০ ফাওবদা কম্মিসন তৌরগনি। ইম্ফাল সিৱরেজ প্রোজেক্ট অসি পিঃঐচঃইঃ দিপার্টমেন্টনা পায়খৎপা য়াননবা, লুপা কোটি ১০ অমা রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা হাপ্লে।

৩৮. থক্লবা ঈশিং অমদি সেনিটেসনগী ওইনা বজেট এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ২৬১ ওইরম্বা অদু রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ৪২৬তা হেনগৎলে অমদি মখা তানা বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ১০১৭তা হেনগৎলে।

**চীং অমসুং তমগী মরক্তা লৈরিবা মরী চেৎশিলহনবা**

৩৯. সার, ঐখোয়গী সরকার অসিনা মণিপুরগী চীং অমদি তম অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অমদি লাপ্পবা অদু হন্থহন্নবগী খোঙথাং কয়া লৌখৎলি। ঐখোয়গী খোঙথাংশিংগী মনুংদা, ‘চীংদা চৎশি’, ‘চীংমী লুচিংবশিংগী নুমিৎ’ অমদি ‘চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ইমা কৈথেল শাবা’ অসিনা ঐখোয়গী থবক অসিবু মশক তাক্লি। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী এমপ্লোয়িশিংগী পেন্সন পীবা হায়বসি মতম কয়াদগী তান্নদুনা লাক্লবা দিমাগু অমদি ঐখোয়গী সরকার অসিনা এদিসিগী

এমপ্লোয়িশিংদা পেন্সন পীননবা ৱারেপ লৌরে। সরকার অসিনা থবক অসিগীদমক্তা মথংশিংনা রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০ অমদি বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১গী ওইনা লুপা কোটি ১৩.৫ অমদি লুপা কোটি ৩৫.২ কাইথোক্লে।

৪০. চীংগী ভিলেজ চিফ অমদি চ্যারমেন অসি সরকারগা পাউ ফাওদোক্নবগী য়ান্না মরু ওইবা লন্বী অমনি। মখোয়গী খুঙ্গংশিং অসি চাওখৎহনবদা মখোয়গী অচৌবা থৌদাং লৈ। মখোয়না ইম্ফালদা লাকপদা লৈফম-চাফমগী অৱাৎপা লৈবনা, ঐখোয়গী সরকারনা গেষ্ট হাউস অমা শাননবা ৱারেপ লৌরে অমদি মসিগীদমক্তা বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ২ হাপ্লে।

৪১. ট্রাইবেল এফিয়ারস এণ্ড হীলসকী বজেটরি আউটলে অসি বজেট এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ৬৭৬ ওইরম্বদগী রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ৮৮৫তা হেনগৎলে অমদি মখা তানা বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ৯১২দা হেনগৎলে।

## লৌমীশিংগী শেন্থোক শরুক অনী হেনগৎহনবা

৪২. লৌউ-শিংউবনা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি অমদি মসিনা মী মশীং খ্বাইদগী য়ান্না থবক পীরি। লৌমীশিং অমদি লৌউ-শিংউগী ইকোনোমিনা মায়োক্নরিবা অৱাবশিং অসি ঐখোয়গী সরকারনা খঙৈজে। ঐখোয়গী সরকারনা চাথোক হেনগৎহন্নবা অমদি মসিগা লোয়ননা লৌমীশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। স্পীকর সার, সরকার অসিনা লেপ্লা লৈতনা হোৎনজবা অদুনা, ষ্টেট অসিনা ২০২০গী জানুৱারী ২দা কেটাগোরি-থ্রিগী মখাদা খ্বাইদগী মহৈ-মরোং পুথোকপগীদমক কৃষি কর্ম্মান এৱার্দ ফংলকখিবনি হায়বসি ঐহাক্না পঞ্জনিংই।

৪৩. ২০১৯গী খারিফ সিজন্দা, নোং ঈশিংগী অৱাৎপা লৈখি। ইকং থোক্লে হায়না লাউথোকখি অমদি ইকং থোক্লবা মফমশিংদা তারিবা অৱাবশিং অদু কোক্নবা কম্পেন্সেটরি ক্রোপ প্লান অমা পায়খৎখি। মসিগীদমক্তা লুপা কোটি ৬.০৩ কাইথোকখি অমদি মসি রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা য়াওরি।

৪৪. লৌউ-শিংউগী বজেটরি আউটলে অসি ইং ২০১৯-২০গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৩১৬ ওইরম্বদগী ২০১৯-২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা কোটি

৩২৯দা হেনগৎলে অমদি মখা তানা ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৩৮৮দা হেনগৎলে।

৪৫. আইন্না য়াদবা মওংদা পোপ্পি পান্বী থাবনা সমাজদা দ্রগনা পীবা চৈথেং হেনগৎহল্লি। মসিগী সমস্যা অসি সরকার অসিনা খঙই অমদি অসিগুন্বা থবকশিং অসি থিংননবা সরকারনা খোঙথাংশিং লৌখৎলি। পোপ্পি ফার্মশিং পাক্তক্লনা য়ান্থৎপা অসি ষ্টেট অসিদা পায়খৎলি। মসিগী মহুত্তা, পোপ্পি থাবদা য়াওরিবা লৌমীশিং অসিনা হিংজননবা অতোপ্পা পান্বে অমা পীননবা হোৎনরি। ঐখোয়না – ‘কলটিভেসন ওফ হোর্টিকলচর ক্রোপস এজ এন অলটরনেটিভ টু পোপ্পি কলটিভেসন’ হায়বা স্কীম অমা হৌদোক্লগনি অমদি অহানবগী ওইনা বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১দা লুপা লাখ ৫০ হাপ্লে।

৪৬. সার, মহৈ মরোং নীংথিজনা পুথোকপা হায়বসি ইথৈ–লৌখোং ফবা তঙাইফদে। ঐখোয়গী সরকার অসিনা ইথৈ লৌখোং ফগৎহন্দুনা লৌফমশিং অসি পোত্থোক–চাথোক হেনগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি। মসিগীদমক্তা, ইথৈ–লৌখোংগীদমক্তা বজেট এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা লুপা কোটি ৩৩৬ ওইরম্বদগী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৪৫৬ ওইখ্রে অমদি মখা তানা বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১দা লুপা কোটি ৫০৩দা হেনগৎলে। থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট অমদি দোলাইথাবি বেরেজ প্রোজেক্টকী ফিল্ট চেন্নেল দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম শেমগৎপা য়াঙশিন্নবগীদমক্তা, এলঃটিঃআইঃএফঃ কী মখাদা নাবার্দতগী লোন ফংলে অমদি ২০২০–২১দা প্রোজেক্ট অসি লোইশিল্লগনি।

## টেক্সটাইলস অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ

৪৭. ষ্টেট অসিদা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিগী থবকশিং পায়খৎত্রবসু, সরকার অসিনা হীরম অসিদা এমপ্লোইমেন্টকী অচৌবা মফম অমা ওইবা ঙমগনি অমদি ষ্টেট অসিগী ইকোনোমিক গ্রোঠকী অচৌবা মচাক অমা ওইগনি হায়না থাজজৈ। সেক্তর অসিগীদমক্তা বজেট এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা লুপা কোটি ১৭৭ ওইরম্বা অদু বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১দা লুপা কোটি ১৮৬তা হেনগৎলে।

৪৮. ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা, লৈবাক অসিগী জিদিপি গী চাদা ৩০দী, এমঃএসঃ এমঃইঃ দগী লাকই অমদি এমঃএসঃএমঃই শিংনা ফগৎলকপা অসিনা লৈবাক অসিগী ইকোনোমি ফগৎলকপগী খুদম ওইরি। স্পীকর সার, মিনিষ্ট্রি ওফ

এমঃএসঃএমঃইঃ না পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা এমঃএসঃএমঃইঃ রেজিষ্টর তৌবা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ষ্টেট ওইরে হায়না ফোঙদোকচবা অসিদা ঐহাক্না চাওথোকচবা পোকচৈ। মণিপুরদা অনৌবা বিজিনেস কয়া য়াঙনা পায়খৎনরক্লি হায়বসি রিপোর্ট অসিগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী অনৌবা বিজিনেস রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী দেটানা তাক্লি। ইং ২০০৫দগী ২০১৯ ফাওবদা অনৌবা বিজিনেস ১৬,৩৮১ রেজিষ্টর তৌরকখ্রে। মসিগী মনুংদা, চাদা ৬৩গী চাং ওইবা বিজিনেস মশীং ১০,৩৫২ অসিনা ইং ২০১৭–১৯দা রেজিষ্টর তৌরকখিবনি। নুপীনা লুচিংবা ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপতা, ষ্টেট সরকার অসিনা অঙন্বমখৈ ইনখৎনবা হোৎনজৈ অমদি মসিমক এমঃএসঃএমঃইঃ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্টতা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী নুপীনা বিজিনেস মপূ ওইবগী মতাংদা খ্বাইদগী মকোক ওই হায়না উৎলিবা অসিনা তাক্লি। মরিপুদদী চাদা ৫০ বিজিনেসতী নুপীশিংনা চলাই অদুবু নেম্লেল এভেরেজদী চাদা ২০ খক্তনি।

৪৯. য়াইথিবী খুন্নৌদা মেগা ফুদ পার্ক অমা, লুপা কোটি ৮১.৮৩ চঙনা শেমগৎলগনি। মসিগীদমক্তা, সরকারনা লম পীরে। ফণ্ড অসিগী শরুক খরনা মিনিষ্ট্রি ওফ ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজদগী ওইগনি অমদি শরুক খরনা নাবার্দকী ফুদ প্রোসেসিং ফণ্ডদগী লোন ওইনা ওইগনি। দি মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ না প্রোজেক্ট অসিগী ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইগনি।

## রুরেল দিভেলপমেন্ট

৫০. সার, ঐখোয়না চেৎনা থাজজৈ মদুদি খুঙ্গং চাওখৎতনা ষ্টেট অসি খক চাওখৎপা ঙম্লোই। তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল স্পোন্সর্দ স্কীমশিং অমদি প্রোজেক্টশিং বজেট অসিদা মতেং পীরি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা, খুঙ্গংগী লম্বীশিং ফগৎহন্নবগীদমক, সরকার অসিনা অহেনবা লুপা কোটি ৪৩.১১, রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা পিঃএমঃজিঃএসঃৱাইঃ (প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক যোজনা)গী মখাদা হাপ্লে। রুরেল দিভেলপমেন্টকী বজেটরি আউটলে অসি রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা লুপা কোটি ১৮৬৯ ওইরম্বা অদুদগী বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১দা লুপা কোটি ২৭১৪দা হেনগৎলে।

## পব্লিক ৱার্ক্স

৫১. সার, সরকারগী বিল্ডিংশিং, লম্বী অমদি থোং শেমগৎপা অমদি ফিভম ফনা থম্বা য়াওনা পব্লিক ৱার্ক্স অসি সরকারগী য়াম্না মরু ওইবা শরুক অমনি। মসিগী মরুওইবা অসি য়েংলগা, পব্লিক ৱার্ক্সকী বজেটরি আউটলে অসি ইং ২০১৯-২০গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৮৫৫ ওইরম্বা অদুদগী ইং ২০২০-২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৮৯৫দা হেনগৎলে।

৫২. সরকার অসিনা ইঃএঃপিঃ ফণ্ডিংগা লোয়ননা ইম্ফাল রিং রোদ অসি শেমগৎনবা পান্দম থল্লি। প্রোজেক্ট অসি হেক লোইবগা ইম্ফাল সহর ময়ায়দা লৈরিবা ট্রাফিক্কী অচীনবা অসি হন্থহল্লগনি অমদি ইকোনোমিসু ফগৎহল্লগনি। প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা ওইনা নৈননবা অমদি য়েংশিন্নবগীদমক রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা লাখ ৯৫ হাপ্লে। মখা তানা, থবক অসি য়াংশিন্নবগীদমক এদিবি এসিসটেদ এসঃআরঃসিঃআইঃপিঃ (সাসেক রোদ কন্নেক্তিভিটি ইনভেষ্টমেন্ট প্রোগ্রাম) কী ষ্টেট কম্পোনেন্ট ওইনা রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা অহেনবা লুপা কোটি ৮.৭৪ অমগসু 'ইম্ফাল-কাংচুপ-তমোংলোং' লম্বী শেন্নবা অমদি থবক য়াঙশিন্নবগীদমক্তা হাপ্লে।

## টুরিজম

৫৩. সার, ঐখোয়গী টুরিজমগী পোটেন্সিয়েল অসি মপান নাইদবনি। টুরিজমনা ষ্টেট অসিগী রেভিন্যু চাং নাইনা লাকহনবতা নত্তনা ষ্টেট অসিগী নহাশিংদসু থবক পীবা ঙমগনি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিং অমদি মালেমগী অতৈ মফমশিংদগী টুরিষ্টশিং পুক্নীং চিংশিননবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা কুমহৈ হরাও কয়া শীল-লাঙলি। কুমহৈ -হরাওশিং অসি ঐখোয়না মখা তানা মতেং পাংখিগনি। মসিগী মথক্তা, টুরিষ্ট স্পোটশিং শেমগৎপসু মথৌ তারি অমদি টুরিষ্ট স্পোটশিং অসিদা মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু থম্বা তঙাইফদ্রি।

৫৪. সরকার অসিনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা টুরিষ্ট স্পোটশিং শেমগৎনবা পোরম য়াৎলি অমদি মসিগীদমক্তা বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ১৮ খাক্তুনা থল্লে। মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা রেলৱে ব্রিজ অসি নোনেদা শারি। মফম অসি ঐখোয়না টুরিষ্টশিংগী খোইদাফম ওইহন্নবা হোৎনরি অমদি মসিগীদমক্তা বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ৩ হাপ্লে। ইন্টিগ্রেটেদ

টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন অমদি সার্কিটকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তা লুপা কোটি ৫.৭৭ অমসু বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১দা হাপ্লে।

৫৫. ইম্ফাল – মন্দলে ফ্লাইট সার্ভিস অসি হন্দক্কী চহী অসিদা অমুক নৌহৌননা হৌদোক্লবা য়ানা লৈরি। মসিগী ফ্লাইট সার্ভিস অসিগীদমক্তা রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা লুপা কোটি ৭ হাপ্লে। চহি অসিদা ইম্ফাল–মন্দলে বস সার্ভিসসু হৌদোকপা য়ানা লৈরি অমদি ইং ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা মসিগীদমক্তা লুপা লাখ ৫০ হাপ্লে। খোঙথাংশিং অসিনা কলচরেল অমদি ইকোনোমিগী মরী ফগৎহনবতা নত্তনা টুরিষ্টশিংসু পুশিল্লক্নি। মেদিকেল টুরিজম অসিসু অতোপ্পা হীরম অমনি অমদি মমল হোংবা অমদি অফবা মখলগী মেদিকেল সার্ভিস লৈবনা হীরম অসিদা ষ্টেট অসিগী পোটেন্সিয়েল য়াম্না লৈ।

## ফোরেষ্ট অমসং ইনভাইরোনমেন্ট

৫৬. সার, ঐখোয়গী সরকার অসিনা ইনভাইরোনমেন্ট কনবা অমদি উমংগী লম অমদি লমলক্কী শা–উচেকশিং ঙাক–শেনবদা প্রাইওরিটি পীরি। চিফ মিনিষ্টরগী গ্রিন মণিপুর মিসন অসি হীরম অসিগী তঙাইফদবশিং অদুদা য়াঙশিন্নবাগীদমক মীৎয়েং চঙলি। মিসন অসিগীদমক বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১দা লুপা কোটি ১গী বজেটরি এল্লোকেসন থম্লে।

৫৭. সার, ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এণ্ড ফোরেষ্টনা ‘রিজুভিনেসন এণ্ড কনজরভেসন ওফ নম্বুল রিভর’ প্রোজেক্টকীদমক লুপা কোটি ৯৭.৭২ সেঙ্কসন তৌরক্লে। প্রোজেক্ট অসিনা কিলোমিটর ৯.১৫ শাংবা, ইরোইশেম্বদগী হৈরাংগোইথোং ফাওবগী নম্বুল তুরেলগী মরীল অসি পোল্লুসন ফ্রি ওইহল্লগনি। মসিনা লোক্তাক পাৎতা অমোৎপা ঈশিং তাহনবা হন্থহল্লগনি। প্রোজেক্ট অসিগীমক্তা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোটি ১৮ কাইথোকখ্রে। লোক্তাক পাৎ শেমগৎ শাগৎনবগীদমক্তা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীম অমদি প্রোজেক্টশিংগী মওংদা অহেনবা ফণ্ড পুরক্লবসু হোৎনরি।

৫৮. ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকীদমক বজেটরি আউটলে অসি ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ২৩২ ওইরম্বদগী ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৩৫৪দা হেনগৎলে অমদি মখা তানা ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৪৯১দা হেনগৎলে।

## জর্নেলিষ্ট ৱেলফিয়ার

৫৯. সার, মীয়াম অমদি সরকার অনীগী মরক্তা পাউ ফাওদোক্লবা অমদি ৱাখল লৌশিং তাথোক তাশীন তৌনবা অসি হেনগৎহনবা ঐখোয়না কন্না হোৎনজরি। মিদিয়াপার্সনশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপা হায়বসি সরকার অসিগী পান্দমনি। মণিপুর জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কীমগী মখাদা, রিতাইয়র তৌখ্রবা জর্নেলিষ্টশিংগী ওইনা থাগী লুপা ৪০০০ অদুগা ফেমিলি পেন্সন ওইনা লুপা ২০০০ পীরি। ঐখোয়না পেন্সন স্কীম অসিগী ওইনা বজেট এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা লাখ ৫ লৈরম্বা অদু রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯-২০ অমদি বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১ অনিমক্তা লুপা লাখ ২০দা হেনগৎলে।

## সেদুল কাষ্ট, মাইনোরিটিজ অমদি আদর বেকৱার্দ ক্লাসশিং

৬০. ষ্টেট অসিনা, মরুওইনা, সেদুল কাষ্ট, মাইনোরিটিশিং অমদি আদর বেকৱার্দ ক্লাসশিংগী কাঙলুপতা চিংলিবা প্রজাশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্দনা মাঙদা চঙশিনবা ঙম্লোই। প্রাইম মিনিষ্টর জন ৱিকাস কার্যক্রম (পিঃএমঃজেঃভিঃকেঃ) গী মখাদা, রেসিদেন্সিয়েল স্কুল বিল্ডিং, হোষ্টেলশিং অমদি ৱাটর সপ্লাই স্কীমশিং শেমগৎ শাগৎপা অমদি মাইনোরিটিনা কূংনা তাবা ব্লোকশিংদা সধভাৱনা মান্দপ শাবগী থবক পায়খৎলি।

৬১. রাজ্য সরকার অসিনা সরকারগী স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং (ইঃদিঃপিঃ), স্কীল দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম (এসঃদিঃপিঃ) অমদি কোচিং প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। সেদুল কাষ্ট, মাইনোরিটি অমদি ওবিসিগী প্রি-মেট্রিক, পোষ্ট-মেট্রিক অমদি মেরিট-কম-স্কোলারসিপ পীরি।

৬২. রাজ্য সরকার অসিন ৱাকফ বোর্দ-মাদ্রাসা মোর্দনাইজেসন তৌবা অমসুং চহীগী হজ লাইখুরুম্বা চৎপদা মতেং পাংখিগনি। মসিগীদমক্তা, লুপা কোটি ১.৫০ অমদি লুপা লাখ ৫০ বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা খাক্লে। সেদুল কাষ্ট, মাইনোরিটি অমদি আদর বেকৱার্দ ক্লাসশিংগী বজেটরি আউটলে অসি বজেট

এষ্টিমেট ২০১৯-২০দা লুপা কোটি ১১২ ওইরম্লদগী বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ২৭৫দা হেনগৎলে।

**কোর্পস ফণ্ড**

৬৩. স্পীকর সার, ষ্টেট অসি খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎননবগীদমক্তা ফণ্ড য়ান্না মরাং কায়না চঙলকপা মথৌ তাই। সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংদগী ফণ্ড হেন্না চঙলকপা হায়বসি ষ্টেটকী ওইনা চান্নবা সিয়ার মতিক চানা থম্লগী মখা পোল্লি। চপ চাবা দরকার ওইরিবা অদু লেপ্লা ঙমদবনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী চান্নবা সিয়ার খাকপা হায়বসি অৰাবা অমদি ওইরি । পীরক্কনি খল্লুবগা, কাইথরক্লিবা সেন্ত্রেল সিয়ার অনীগী মরক্তা অচৌবা অহোবা অমদি অদুমক লৈরি। তোঙান তোঙানবা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিংগী চান্নবা ষ্টেট সিয়ার পীননবা হোৎনরবসু, অৰাৎপা কয়া মেনখৎননবগীদমক্ত, ঐখোয়না 'ষ্টেট সিয়ার কোর্পস' অমা শেমনবা প্রপোজ তৌজরি। কোর্পস অসিগীদমক্তা বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১দা লুপা কোটি ২০০ খাক্তুনা থমলে।

৬৪. মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অসিগী মথক্তা, 'দিভেলপমেন্ট কোর্পস' অমা তোঙান্না শেল্লে অমদি বজেট এষ্টিমেট ২০২০-২১গী ওইনা লুপা কোটি ১৩০ খাক্লে। মসিগী কোর্পস ফণ্ড অসি অখন্নবা প্রোজেক্টতা ফণ্ড থাদনবনি অমদি মসিনা ষ্টেট অসিদা ময়েক শেংনা অহোংবা পুরকপা ঙমহনগনি।

## সেক্সন – থ্রি

## রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০ অমসুং বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১

### রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০

৬৫. ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটতা, অপূনবা পানখিবা এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি ১৬,১১৭নি। রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা অপূনবা এক্সপেন্দিচর অসি লুপা কোটি ২০,৬০৭দা রিভাইস তৌখি। ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটকী মনুংদা, লুপা কোটি ৪,২৩৪ অসিনা ষ্টেটকী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডগী মখাদা লৈবা চার্জদ এক্সপেন্দিচরনি অমদি লেমহৌরিবা লুপা কোটি ১৬,৩৭৪ অসিনা ভোটেদ এক্সপেন্দিচরনি।

৬৬. ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটতা রেভিন্যু রিসিট অমদি কেপিটেল রিসিট অসি মথংশিংনা লুপা কোটি ১৩,১৫৭ অমসুং লুপা কোটি ১,৪৭৮ ওইগনি হায়না পাখি। মসি হৌজিক্কী রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০দা মথংশিংনা লুপা কোটি ১৩,৮৯৭ অমদি লুপা কোটি ৪,৬০৫দা রিভাইস তৌরে। রিভাইস এষ্টিমেটতা কেপিটেল আউটলে অসি লুপা কোটি ২,২৬৭ ওইরম্বদগী লুপা কোটি ২,৯৫৯ ওইদুনা মশক থোক্লা চাওনা হেনগৎলে।

৬৭. মমাঙদা পঞ্জখিবগুন্না, তনিক–তনিক্লা লৈবা ফাইনান্সিয়েল সিচুয়েসন ওইবনা, ষ্টেট অসিনা থেংখাং কয়ারক্তা ৱেজ এণ্ড মিন্স শীজিন্নখি অমদি বেলেন্সনা পোজিটিভ হেক ওইবগা মথন্তা শীংদোকচখি। মসিনা পীজরিবা মশীংশিং অসি ৱেজ এণ্ড মিন্স অমদি রিপেমেন্ট য়াওনা উৎচরবনি।

৬৮. রিসিট অমদি এক্সপেন্দিচরশিং লোইনমক য়েংদুনা, হন্দক্কী চহী অসিগী বজেটরি দিফিসিট অসি ইং ২০১৯–২০গী বজেট এষ্টিমেটকী লুপা কোটি ১,৪০৫ দিফিসিট ওইখিবদগী লুপা কোটি ১,৭২০ ওইগনি হায়না পারি। রিভাইস এষ্টিমেট ২০১৯–২০গী ফিস্কেল দিফিসিট অসি লুপা কোটি ২৬৭০ ওইগনি হায়না পারি অমদি মসি জিঃএসঃদিঃপীঃ গী চাদা ৮.৮৬নি।

### বজেট এষ্টিমেট ২০২০–২১

৬৯. সার, ঐহাক্লা ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা মায় অমুক ওন্সিনজগে। অপূনবা রিসিট অসি লুপা কোটি ২০,১৪৬ ওইগনি হায়না পারি। রেভিন্যু রিসিটনা লুপা কোটি ১৮,০৮৩ অমদি কেপিটেল রিসিটনা লুপা কোটি ২,০৬৩

ওইগনি পারি। ইং ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা ষ্টেটকী আউন টেক্স অমদি নোন–টেক্স রিসিট অসি মথংশিংনা লুপা কোটি ১,৩২৫ অমদি কোটি ২৫৭ ওইগনি পারি। সেন্ট্রেল টেক্সেস অমদি দ্যুটিশিংদগী ফংলক্কদবা ষ্টেটকী সিয়ার অসি ২০২০–২১গী বজেট এষ্টিমেটতা লুপা কোটি ৫,৬৩০ ওইগনি হায়না পারি। মসি ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতগী চাদা ৩৯ হেনগৎলে।

৭০. চহি ২০২০–২১গী ওইনা, ষ্টেটকী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী লুপা কোটি ২১,২২৪গী অপূনবা এক্সপেন্দিচর অমা ঐহাক্না প্রোপোজ তৌজগে। অপূনবা এক্সপেন্দিচর অদুদগী, লুপা কোটি ২,০৬৬ অসিনা চার্জদ এক্সপেন্দিচরনি অমদি লেমহৌরিবা লুপা কোটি ১৯,১৫৯ অসিনা ভোটেদ এক্সপেন্দিচরনি।

৭১. সার, অপূনবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অসিনা লুপা কোটি ১৬,৪৪৫ এষ্টিমেট তৌজরি। কেপিটেল আউটলে অসিনা লুপা কোটি ৩,৩৪৬ ওইগনি পারি অমদি মসি ইং ২০১৯–২০গী রিভাইস এষ্টিমেটতগী লুপা কোটি ৩৯৭ হেনগৎলি।

**৭২.** সার, অরোইবদা, মথংগী চহীদা ওইরকপা য়াবা ফিস্কেল পোজিসন অদু ঐহাক্না শন্নপনা থমজগে। ফিস্কেল দিফিসিট অসিনা লুপা কোটি ১,৩৬৩ হায়না পারি । মসি জিঃএসঃদিঃপিঃ গী চাদা ৪.০৬ ওইগনি অমদি মসি ষ্টেট এফঃআরঃবিঃ এমঃ এক্টকী মতুং ইন্না লেপ্লিবা হেনবা য়াদবা চাদা ৩গী চাং অদুদগী হেল্লি। ইং ২০২০–২১দা অপূনবা আউটষ্টেন্দিং দেবট অসি রিভাইস এষ্টিমেটকী চাদা ৩৭.৮৮ ওইরম্বদগী জিঃএসঃদিঃপিঃ গী চাদা ৩৫.৯১ ওইগনি পারি।

## ৰারোইশিন

৭৩. স্পীকর সার, মসিগী বজেট অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা সমস্যাশিং, মায়োক্নারিবা অৰাবশিং, মরুওইনা ইকোনোমি অসিবু হেক্তমক ফগৎহল্লগনি হায়বা 'শিদ হীদাক' মক্তী নৎচদে। ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি অসিনা য়ান্না অরুবা ইসু কয়া মায়োক্নরি অমদি সরকার অসিনা বজেট অসিগী খুত্থাংদা ইসুশিংশিং অসি থেংননবগী থম্মোয়শেংনা ফোঙদোকচবা পাউদম অদু পীজবনি অমদি ষ্টেট অসিনা তশেং–তশেংবা অমদি মপূং ওইনা চাওখৎপা পুরক্নবা হোৎনজবা অদুবুসু ফোঙদোকচবনি।

৭৪. ৰাফমশিং অসিগা লোয়ননা ঐহাক্না, ঙসিগী চীং লেন্নবা হাউস অসিদা ইং ২০২০–২১গী বজেট অসি অয়াবা পীবিনবা থমজরি।